# “হুরানবদা সনাগী তকমান পীবা-!”



**– এল ইবোমচা –**

মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি কম্যুনেল রাইওট কনফ্লিক্টসু নত্তে অদুগা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মীতৈশিংনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ তাল্লুবদা ত্রাইবেলশিংগী অপূনবা মহৈরোয় লূপ অমা ওইরিবা অটসুম (ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর) না য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী অপূনবা খোঙচৎ অমা চৎপদগী থোক্লকপনি হায়রিবসিসু নত্তে। মসিদি কুকিশিংনা মখোয় খক্তগী ওইবা কুকি হোমলেন্দ অমা শেম্নবা মণিপুরগী মেজোরিটি কম্যুনিটি অমা ওইরিবা মীতৈ ফূরুপ্তা শীংনবা অমগা লোয়ননা অতম্লনা লান্দারকপনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্লনা লান্দারকপা মতমদা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা অতৈ ত্রাইবেল ফূরুপ অমত্তা য়াওদনা কুকি ত্রাইব খক্তনা মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসিনা তাকচরে। ঙসিদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি লৈবাক ঙাকপা হৈবদা অমদি মহাক্কী লৈঙাক সাসন্দা য়োৎকী মখূৎ পাল্লি হায়না মালেম্না শীংথানরবসু মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদদি মহাক অসি জিরোনি-মীরেম্নি, হৌজিকসু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা হাপ্লক্লবসু মীতৈ হাৎননবা কুকিনা বোম কাপশিল্লকপদগী ত্রোংলাওবীদা মচা অনী কোন্দুনা তূল্লিবা কাদুদা তারকপদগী মমা অদু অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লৈরগা পীক্লিবা মচা অনীনা বোমনা পান্দুনা লৈখিদবগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ কলমসি ইরিবা পুংজা ফাওবা মণিপুর শিন-থুংনা হৌরি। অদুনদি মীতৈ পাউরৌদা ‘কৈবুই কৈওইবা ননীং নমাং হোত্রোং হো, নতু লৈমা কাং কোক’ হায়বদুনি।

লান অসি থোক্ত্রিঙৈ মমাঙদদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মণিপুরগী মীয়াম্না শীংথাবগী লোইবা খল্বা নাইদে। ঈশ্বরবু চেৎনা থাজে, অচুম-অরান মশক মুন্না খঙই। লৈত-লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপগী হৌনবা তোল্ল-তারবা মীবু মীনুংশিগী মীৎয়েংনা য়েংই, ময়ূম মকৈ পান্দে, মীওইবা খুন্নাইগীদমক পোল্লকপা নুপা অমনি অসিনচিংবা। মরম অসিনা মীতৈ য়ূমথোঙ খুদিংদা মাগী ফোটো অমমম থেৎতুনা থম্লে। মাগী থা খুদিংগী রেদিওদা শন্দোক্লিবা মনকি বাট প্রোগ্রাম তাগদবগী ঙাইদুনা লৈনৈ। অদুবু ঙসিদি মাগী মনকি বাট রেদিও প্রোগ্রাম শন্দোরক্কদবা নুমিৎতুমা রেদিও মূত্থৎতুনা থম্লরে।

তৌবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতিক ময়াই অসি করিসু নত্তে হায়বসি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মালেমদা মথং-মথং মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা শন্দারকপা মতম অদুদগী মণিপুরগী মীতৈশিংদি মপূং ফানা খঙবা হৌনরকখ্রে । হায়বদি কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা ইন্দিয়াদা লৈবা য়ূমথোঙ খুদিং নুমিদাং পুং ৭তগীনা ৭.১৫ ফাওবা মৈ মুত্থৎলগা ইমুংদা লৈবা পুখম, তেঙ্কোৎ পুথোক্লগা খিংগদবনি হায়দুনা অঙাওবনা হায়গদবা ৱাফম লাউথোকখিবা মদুদগীনি। ৱাফম অসি তারুবদা মণিপুরগী মীতৈ মীয়াম্না অঙকপা অমা ওইনখি। হায়বদি কোভিদ-১৯ লাইচৎকা ইমুংগী মৈ মুত্থৎলগা ইমুংদগী পুখম তেঙ্কোৎ পুথোক্লগা খিংবগা করি মরী লৈনবগে হায়বসিনি। মসিদা মণিপুর মীয়াম্না খন্নখিবদি- “ও: নরেন্দ্র মোদি অসিদি নহানমখৈ খঙলুদে মাগী কোকসি কোক্তা অমনিদনা-!” হায়বসিনি।

লৈঙাক্লোন্দা য়োৎকী মখূৎ পাল্লি হায়না মালেম্না শীংথারিবা অসুক শক্তি লৈখ্রবা, অসুক ৱায়েল সাসন হৈখ্রবা, অসুক দিপ্লোমেসি হৈখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীতৈ ফূরুপকী মথক্তা কুকিশিংনা মরম চাদনা লান্দারকপদা ৱা-লান মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা চহী অনী হেন্না অদুম য়েংদুনা লৈখি। মসি মনুংদা করি করম্বা অরোনবা খুজিন থৌরাং লৈরবগে হায়বসি মীতৈশিংনা চীংনরিবনি। মীতোপ্পা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা চঙলক্লগা মীতৈশিংগী লম মুন্ননবা লান্দাশিল্লকপদা মালেমগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ফিগর অমা ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা অসুম্মক য়েংদুনা লৈবা হায়বসিদি তৌফম থোক্তবা থবক্নি। অদুবু করিদি পান্বে লৈনি, কোভিদ-১৯ লাইচৎতা ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খুদিং নুমিদাংদা মৈ মুত্থৎলগা ইমুংদগী পুখম তেঙ্কোৎশিং পুথোক্লগা খিংগদবনি হায়না য়াথং তাউথরিবা মীওই অমনি খন্দোক্লদুনা মীতৈশিং ঙসি ফাওবা খাঙদুনা লৈনরি।

কুকিশিং য়াম্না শীংই, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, মণিপুরদগী কুকিশিংনা তারিবা লমশিং অসি পুনশিল্লগা ইন্দিয়া মনুংদা তোঙানবা কুকিলেন্দ অমা শেমগে হায়রুবদা ইন্দিয়ানা য়ারক্লোই খঙবনা কুকিনা তাবা লমশিং মিজোরামদা পুল্লপ পুনশিল্লগা গ্রেটর মিজোরাম শেম্লনবা দিমান্দ তৌরবদি ইন্দিয়াগী সিমনাদা পাকথোক চাউথোরকপা হেনগদবনা ইন্দিয়ানা হরাও হরাওনা য়ারক্কনি মসিনি। মসিদা ইন্দিয়ানা য়ারত্তুগনা কুকিগী এম এল এ, মিনিষ্টর তরানা শৌগৎচরিবা লমকা (চুড়াচান্দপুর) দা হেদ ক্বার্টর ওইবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীয়ু মদুদা এদিশনেল চীফ সেক্রেটরি অমদি এদিশনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিপার্টমেন্ট থন্বীদুনা মীতৈগা য়ূম্লোন্ননা লৈমিন্নগে মসিনি। হায়বদি অচৌবা দিমান্দ অমা তানশিন্নরগা দিমান্দ মচা অমা ফংনবা তাল্লকপনি। অমরোমদা, এদিশনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং এদিশনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমমম থন্বা হায়বসি পার্ট সী ষ্টেট অমগুম্বনি। অদুগা অমুক কুকিশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়রিবদি ঐখোয়দি নাগাগুম্না মীতৈগুম্না সোভরেন্ট কন্ত্রি তানবগী ইন্দিয়াগী মথক্তা লান্দাদে। তৌবতবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরদা সিক্স সেদ্যুল চৎনহনখিবা অদুমক্তা চপ মান্নবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন কুকিশিংনা খুন্দাবা লমশিংদা অথুবদা চৎনহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরিবনি। শম্না হায়রবদা মিনি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমা থন্বীয়ু হায়বনি।

তৌবদি সিক্স সেদ্যুল তানবসি কুকিশিংদগীদি নাগাশিংনা য়াম্না হাল্লি। অদু ওইরবসু কুকিশিংনা সিক্স সেদ্যুল ফংখিবদা নাগাশিংসু ফংখিবা তাবনি। মরম অসিনা কুকিশিংগী সিক্স সেদ্যুল দিমান্দদা নাগাশিংসু নাকোয়ননা শৌগৎপা মাল্লি। খেন্নরিবদি নাগাশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়বদি অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট তানবদা মীতৈশিংদা অতম্লনা লান্দাদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি য়েলহৌমী মশেল ওইরুবা অদুননি। অদুগা কুকিশিংদি মদু নত্তে, মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী নত্তবনা নম্ফু-হাফুন্দা লম মুন্নবা হোৎনরকপনি। কুকিশিং অসি য়ূমদাংবনি, রিফ্যুজি-ফোরেন্নরনি হায়বদু মখোয়না তৌথোরকপা থবক্লা অদুমক উৎচরকপনি।

কুকিশিংনা অপীকপা দিমান্দ ফংনবা অচৌবা দিমান্দ তানশিন্নরগা সিক্স সেদ্যুলগী মখাদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ফংখিবা থোক্লবদি কুকিলেন্দ ফংনবগী অহানবা খোঙথাংনি খনবা য়াই। কুকি ষ্টেট কুকিলেন্দ ফংনবা নক্লা লৈরবা খোঙফম্নি। ঙসি ঙসিমক ফংহৌদ্রবসু নোংমদি শোয়দনা ফংগদবা লৈরবা খূৎ থেক্তুনা পাবদা য়ারে হায়বসি কুকিশিংগী অচেৎপা থাজবনি। তৌবগীসু কুকিশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ফংখিবা মীকুপ্তা বোর্দর ফেন্সিং তৌবা, এন আর সী চৎনহনবা ৱাহন্থোক লৈগদবা মান্দে।

মসিদা ঙক্লিবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লান শোক্লরিবা (লান নত্তে) মীতৈ অমদি কুকি অনী য়াশিন্নবা পুরক্লবগী খোঙথাং অমা ওইনা পূন্না ফম্মিন্নহন্দুনা ৱারী শানহন্নবা হোৎনরগনি হায়বা ৱাহৈ তাবা লৈখি। মসিমক্তি য়াম্না লানবা চুমদবা থৌওংনি হায়বা য়াই, হায়বদি য়ূমদা পোৎ হুরানবা চঙলকপা অমগা য়ূম্বুদুগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা ৱারী শানৌ অমদি ৱারী শানহন্নবা হোৎনরগনি হায়বগা চপ মান্নে। লান অসিগী মমাঙদা মীতৈগা কুকিগা য়েংথীনবা, খৎন-চৈনবা অমত্তা থোকখিবা লৈখিদে, থাজনদবসু অমত্তা লৈখিদে। মসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকিশিংগীদমক করিগুম্বা খরা হান্নদগী হৌনা তৌগে খন্দুনা লাকপা মাল্লি হায়না মীতৈশিংদা চিংনহল্লি। করিগুম্বা ৱারী শানবা তারবসু কুকিশিংগী ওইনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা সিক্স সেদ্যুল চৎনহল্লু হায়না শিদৎ তৎপমখৈ খাঙদুনা অদুমক লৈখিনি। মরমদি মখোয়গী ওইনা পিক্কে পিকউ, চাউগে চাউ, মালেমগী লৈমাইদা কুকিলেন্দ মিংথোনবা লৈবাক অমা শেম্বা হায়বসি কুমজা ১৯৯২/৯৩গী নাগা কুকিগী লানদা মোরেদগী নাগাশিং শিৎ-নান্না তান্থোকপা ঙমখিবা অদুদগী খন্নবা হৌখ্রবনি।

অদুনদি অসুম খল্লুবদা ইন্দিয়া লৈঙাকসি মথোংদি কয়া হুক্তবা জাৎনি। মরমদি কুকিশিংদা নখোয়না পাল্লিবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ তাল্লিবদু মীতৈশিংদা তানগদবা নত্তে, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানগদবা দিমান্দনি। দিমান্দ অদু মীতৈশিংনা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা ঙমগদবা দিমান্দ নত্তে হায়গদবদুদি হায়দনা মীতৈগা কুকিগা ফম্মিন্নহল্লগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরগনি হায়বসিবু করি ৱাতানো, তাবা য়ারিবা ৱারা হায়বসিনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতৌ অসিদি মীতৈশিংবুনা নমথদুনা থল্লগা ফোরেন্নর কুকিশিংবু শৌগৎপনি। ফজবী লোন্দা হায়বা তারবদি “হুরানবদা সনাগী তকমান পীবা-!” হায়বদুনি। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৪

**– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –**

কৈথেলদা ইমাগা উন্নরুরা মতুংদগীদি অনুপমা মঙাও থীবা হেনখ্রে। ইমানা করি শীকচিল্লক্লবনো ঐগী ৱাগা তাদমখৈ মানা হায়বদমক ইল্লু হায়বগুম্মী। শাওশিন্নদুনা য়েংই-ইমা তাকথোক্কনি হায়, থেমদুনা য়েংই নৌথশিন্নরক্কনু হায়। খঙদদি খঙলগে হায়দুনা ফাগিওই-করিওই-

“হো ননেম্বোক্লা করি লাইৱা কামশিল্লক্লগে!”

মোং হাদনা লোন্না নঙ্গলদা খুজিলনা কন্না শীক্লক্লগা-

“নঙসে, খুমন খম্বসে-মজাইবেম্মা ঐঙোন্দা পুমশিন শিন্নরক্লে, ঐনা হায়বা লোইনমক ইন তাবা, য়াদ্রেদনা - ইমাদা তাকপা তাবা!”

“হৈ! হৌজিক্তি ঐ পাখঙ ওইরি, অধা মোরা ওইখিরোইকো।”

“হয়েং য়ূম পাল্লদি ওইবা ঙমগদ্রা?” মখূৎ অনীনা মচিন খুম্লগা থিক-থিক নোক্লি। নুংশিবগীদমক, অনুপমানা মীকুপ খুদিং শক্লোন হোংলিসিবু করি মতৌনো, খল্লি রাজেস। তত্তনা তোৎনা তিন্নরক্লবনিনা রাজেসসু অনুপমাগী মীহুল খঙলে। খঙলে হায়রিসি করিনো হায়সু হায়ফম খঙদে। শুপ্নগী মাগী অনীংবা, অপাম্বদা কোচি থাংনা অয়েৎপা পীররোই হায়বসিমদি রাজেসকী হায়দোক্তবা অচেৎপা ফিরেপ ওইরে। অমুকসু ওইজবা থিবনি হায়খিদ্রা হায়নসু খঞ্জানৈ। চৎনা-চৎনা খল্লিবা ৱাখলশিংদুনা কদাইৱাইদা খোঙ থাংলুরবনো খঙদে - তুংদা চৎলিবী অনুপমানা ঐবু খংচিং-চিংলগা - “কৈনো গাড়ীনা তক শিতারে”। রাজেসসু খংপ্রেক খংই। মখোয় অনী লম্বী মতাইদা থৈদোক্লগা শ্বর শাংনা হোন্দোক্লে। অনুপমানা ইফিং-ফিংনা-

“হায়মা দা রাজেস, শ্বায়দা ঙাইহাক্তা লেঙদনা লৈরম্মু, ইমাগী ও আর এস লৈগে হায়রম্বনি অমুক্তা পীরমখিগে।”

পাউখুম পীবা নংদ্রিঙৈ চৎখ্রে। “ওম্থোকপা মতৌনি, হোরেন য়ূমদা ইমানা না লৈবদি শোয়দ্রে” খল্লি রাজেস। খন্না খন্না কোইয়েং য়েংবদা শামু মখোঙগী মনীং নম্বুল তুরেল তোর্ব্বান্দা শঙ মচা-মচা খল্লগা ইমা-ইন্দোনশিংনা থেন্দুনা য়োল্লিবা মঙ্গল, চানা, লৈবাক-হৱাইশিংদু মীতারুই। কোইরোক-কোয়বা লৈবাক-হৱাই হৈঙান্দু ফজমনখ্রদুনা অনুপমাগীদমক লুপা অনীগী লৈরুববু ফনা য়াম্না পীরকই। অনুপমা হল্লক্লদি মাঙখ্রে হায়না চৈবীরনি খন্দুনা থুনা-য়াঙনা হান্নগী মফমদুদা লেপ্লুই। অনুসু হল্লক্তুনা লেপ্লগা রাজে সপু কোইয়েং য়েংদুনা লৈরম্মী। কৈমতদি ঙাঙলক্ত্রে, মমিৎতুনদি রাজেসনা পুরক্লিবা ময়োমদুদা মুনা য়েংলি।

রাজেসসু ইকায় ইকায়না-“নঙ ঙাইবা ওইনা নঙ পীজনবা অচাপোৎ লৈরুবনি, সে!” তাপ লৌরগা অনুপমানা ময়োমদু ফাক্তোক্লগা ঙক্লা- “ৱা-উ! ঐগী ফেবরাইট লৈবাক হৱাই হৈঙাল...! য়ূমদা চানবা হাপচিল্লগে...” হায়না-হায়না মাগী বেগতা হাপচিনগে তৌরিঙৈ-

“ঐনা লৈবনি-ঐগী শরুক থুংলোইদ্রো...”

“ঐগী লৈবীরিনি হায়দায়নে!”

তশেংনমক্কী অনুপমানা অচাপোৎতু রাজেসকী শরুক থুংখিদ্রে। থৱায়দগী হেন্না নুংশিখ্রবা মীশক অমনা নুংশিনা মাগীদমক্লি খন্না নুংশিনা লৈবীরকখিবা পোৎশক অমা অতোপ্পা কনা অমত্তদা খাইখ্ররোই খনখ্রমাল্লে। মমল য়াম্বা য়ামদবগী ৱাফম নত্তে, নুংশিবনা নুংশিবগীদমক তম্লকপা খুদোলনি, কনাগীসু ওইহল্লোই খনখিবা মাল্লি। মসিসু নুংশি লীচৎকী মচৎ অমরা? হায়নবদি লৈ নুংবু নুংশিনরদি খুদিংমক নুংশি। নুংশিবীগী থোঙ্গালসু নুংশি, থোঙ্গালদা কুনবা খোঙগনখ্রবা হূইদুসু নুংশি। নুপীশিংসু মঙাইরে নুংশিমনবনা হেনখিবনা পামজবা মশাবীগী মীপূম খুদিংমক উবদা খংপ্রেক খংবী নুপীসু অদুম য়াওরিপোৎনি। রাজেসতি কোলেজদা হনখ্রগা সাইকল লৌরুরসি হায়গে খনবনি, অনুপমানা মফৈ অমা ফুজিল্লক্তুনা হায়ফম-তৌফম খঙদ্রে,

“দা রাজেস - সুম লাংলিঙৈদা কাউথোক্কে তৌই হে, আ...”

“আ-আ-কৈদৌবা...?”

“অদো ঐখোয় অনীমক গুৱাহাটিদা চৎলগদবনিনা করি-করিনো খন্নবা ফৎত্রাও।”

“করি খন্ননীঙাই লৈ- ঐগীদি নঙ লৈরিসিদি...”

“অদুদা হায়য়ু হায়রিনি- কোচিদি কোৎনরগুমসিকো... অদো মীরমদা চৎকদবনিনা হয়েংসি মোরে বজারদা চৎলগা ইবান্নিগী দ্রেস খরা লৈরুসিরা?

“মোরে বজার - আ মোরে তান্না চৎতোইবা।”

“অস, বুদুসিদি; পাওনা বজার মচিনগী মোরেগী পোৎ চৈ য়োনবা বজারদুদা হায়বনি অপঙ।”

“উম, য়াই-অদো নঙগীবুদি লৈমিন্নরুসি ঐগীদি কোন্না ইমাগা তান্নরগা লৈরগে”

“ইমাগা তান্নদ্রসু ঐ লৈরিসিদি...”

কোলেজদগী সাইকল লৌরুরগা হল্লকপদা নুমিৎ তাগদৌরে। অনুপমাদুবু মমা-মপানা চৈবীরমগদ্রা খল্লি রাজেস। মানা থোকপা খুমজরনিদা খন্দোক্লে। অদুবু য়ূম য়ৌরগা ইমানা থনাগী ৱাহং ময়াম অমা হংলক্কনি খনবদা ইকায়বদা নত্তনা অকিবা অমসু ফাওরকই। শেংনা হেক্তা হায়দোক্লগে খন্না লাকপনা য়ূম য়ৌখিবা খঙহৌদ্রে। হায়না-হায়না মমাদু নুমিদাংৱাইরমগী ধুপ-থাওমৈ থান্দুনা লৈরম্লে। রাজেস ৱা ঙাঙদে, সাইকলদু তপ্না ইনশিল্লম্লগা ইমুংদা চঙলে। মমাসু অদু-অদা কৈসু হায়রক্ত্রে।

নুমিদাংগী চাক লোইরদুনা মমানা চাক চারসি হায়রক্লে। রাজেস হোয় মাই হায়দে, পারম্বা লাইরিক খুমজিল্লম্লগা চাকশঙদা চঙলক্লে, ইচম চম্বা শাদুনা চাক পুখমদু শৎ চিংশিন্দুনা ফমথৈ।

“করি এঞ্জাংনো ইমা...” মমানা মোং হাদনা - “ঙসিদি কৈথেল লাইরেম্বীনা শেল চাইথরমদুনা ঙা লৈরকপনি, ইমা-ইচা হাউনা চাথোকসি”।

“কৈনো ইমা ঐ ৱাখল তাদ্রে” খঙদবনিনা হংজৈ। রাজেসনা খল্লম্বগী ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা মমানা তপ্না হায়রকই-

“ইমাগী ইবুংঙো, ইখঙ খঙহৌদনা নঙনা ঙসি তৌরক্লিবা মতৌসিবু ইমা ৱাখলনা লাকশিনবা ঙমদ্রে। নুপীমচাগী মতৌদুনা মরোল অমা নুংশিরিবা, মশকমক্লা লাইরেম্বীমক্লি, ঐদি কৈথেল লাইরেম্বীরা খল্লুরে। ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুংগী মচাদি ওইরম্লনি, হৌন-লোনচৎনা খঙলিবা, ইমাদি ঙসি মাগী মতৌদা পুমঙাও ঙাওখ্রে।”

রাজেস খুম্ফমসু খঙদ্রে, চাক চাফমসু খঙদ্রে। ইঙ্গিৎ খঙলবী মমানা মচাগী মতৌ য়েংলগা-

“অঙাওবো! ইমানা ৱা হংলগা ইথক থক্কৎলি কৈগীনো। চহী মতাংননি ইমা কৈসু শাওদে, তৌবতবু ইমাগী নাক্তা পঙনা লাক্তবা নঙনা ঙসি মীগী মচাদুগা লাকমিন্নরিদুবু ইমাদা করি হায়নীংবা লৈবগীনো?

মতাং চারমান্নে খন্দুনা - ঙসি কোলেজগী নোটিস বোর্দতা গুৱাহাটি চৎপগী মিং থেৎলম্বদগী রাজেসনা ৱাখিবা, অনুপমানা নমহঙ হংলকপদা ইমা মশা ঙমদে হায়রুবা পূম্বা লোইনা লীথোক্লে। মচাগী মতৌ য়েংলিবী মমানা পেন্না নোকচরগা,

“চাক চাথোক্লসি, ইমাসু চারগে, কৈইম খল্লুনু ইচাসিদি। মীগী মপোৎ হুরাল্লুবসু নত্তনা।”

ইরোই লোইবদা মমানা কোৎলকপা কোচি অদুবু,

“উখা-ৱাখাদা থাবা মনা-মশিংনা চরা নোংখন্নদবনি ইমাগী রাজেস, তাইবঙ মীগী মখা থাবদি পৎ পুমদবনি, মদু খঙনা চৎলু...”

রাজেস অহিং তূমদনা মমাগী ৱাহৈগী পাউখোঙ ফোঙনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনজখি। খঙবা শুকঙম ঙমদনা তূমথখ্রমাল্লে। মমঙদা মশম-মনা, মকোই পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরবা মশক লাকশিনবা ঙমদবা অহল অমনা রাজেসতা নুংশিনা য়েংলগা,

“রাজেস পূন্সি শিন্থা পাঙথোকপদা তহাগনু, নঙগীনি খঞ্জবা খুদিংমকসু নঙগী ওইবা য়াদবনি, লাইবক্লা তম্বা হায়বসু লৈবনি। পূম্লমক্তো নশানা লম্বী য়াৎচগদবনি। "Work hard in Silence, make your success be the noise"

রাজেস ফুক হৌগৎলগা ফমুংদা ফমদুনা কোয়েং য়েংই। নোংঙাল্লমদাইগী অচিকপদুদা কাদুদা কনাসু উদে, কনাগী খোঞ্জেলসু তাদে। ●

# ৱর্ল্ড হেল্থ দে - এপ্রিল ৭, ২০২৬

## Theme : Together for health, Stand with Science

**– ডা. ক্ষেত্রিময়ূম কলা –**

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

ষ্টেন্দ ৱিট সাইন্স হায়বদি ৱাহন্থোক য়াম্না চাউই অমদি থিম অসি পাক চাউবা শরুক অমনি। ঐখোয়না লায়না অমবু মশক খঙদোকপা মপূং ফানা লায়েংবা অমদি মতম চানা থিংহৌবা হায়বসি মওং মরীল চুম্না চাওখৎপা অমদি সাইন্সকী চৎন-কাঙলোন্দা তৌগদবনি। মরম চাদনা মফম মরাং খঙদনা পাউজেঞ্জবা, লাউথোকপা অমদি থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা তৌবীরোইদবনি। অসুম্না তৌবসিনা ঐখোয়না লায়না ময়ামদগী ঙাকথোকপগী মহুত্তা মীওইবগী তাঙলবা পূন্সি অসি লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙল্লোই। অদুনা লায়না খুদিংমক্কী হৌরকফম লায়েংবগী পথাপ অমদি ঙাকথোক্লবা পান্বে খুদিংমক সাইন্সকী পান্বে লৌবীগদবনি অমদি তৌবীগদবনি।

অরানবা ৱাফম খরদং থমজগে।

● টাইফোইদ নারগা লাই ওক্লবনি হায়দুনা লাই খুরুম্বা, অশেঙবা হীদাক ক্লোরমাইসিটিন নৎত্রগা সেফেকসিন থাবীদবা।

● অঙাংশিংদা লাইহৌ লৈরগনা ষষ্থি নৈখায়রগা পীথকপা অদুগা পেরাসিটামোল অমদি এন্টিবাইওটিক থাবীদবা।

● লাইফমদা নৎত্রগা উমংদা ৱাখল মাঙদুনা তুশিল্লগা লাই ওক্লবনি হায়দুনা অজা-পুজা তৌবা, ব্লদ প্রেসর য়াম্না ৱাংদুনা ষ্ট্রোক তৌবা নৎত্রগা হার্ট ব্লোক তৌবগী ৱাখলদি লৈতবা।

● মীরোনবী মমাশিংদা মপূং ফানা অফবা চীঞ্জাক পীজরবদি অচৌবা অঙাং ওইবনা মমানা অঙাং পোকপা ঙমদে হায়বা।

● ব্লদ প্রেসরগী হীদাকশিংসি চারবদি লমদমনৈ হায়দুনা মপূং ফানা চাদবদগী ষ্ট্রোক থোকহনবা অমদি কিদনি ফেল ওইহনবা।

● অঙাওবা নুপীশিংবু মপূং ফানা সাইক্রিটিসকা তান্নরগা লায়েংবীবগী মহুৎতা থৌরীনা পুল্লগা অমদি ময়াদা ফি নমশিল্লগা তোয়না ফূবীবা।

● লিভর ফেল ওইদুনা জোন্দিস তৌরকপবু লাইরেন ওক্লদুনা তৌবনি হায়জিনবা অমদি মপূং ফানা লায়েংবীদবা।

● অঙাংশিংনা মশা শারগা য়াঙ চিংববু লৈকায়গী নুপী চঙলম্বদুনা হিংচাবী চংহনবনি হায়দুনা নুপীদা বদনাম অমদি মীংচৎ থীবা থোনজিনবা।

● চাকখাওগী অলসর লৈদুনা পুক নাবা অমদি এপেন্দিক্সকী লায়নানা পুক নাববু মীতৈ মাইবনা পুক শুহন্দুনা চাকখাও হোহনবা অদুগা এপেন্দিক্সপু তৎহনবা অমদি হোহনবা অসি য়াম্না তোয়না থোকহনবা।

● ঈ নৌরি চাবা য়াদে হায়দুনা মচা পোকপদা ঙায়রিবা নুপীশিংবু মচী ওইবা চীঞ্জাকশিং মরু ওইনা ঙা, য়েরুম, উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না পীজবীদবা।

● মীরোলবদা ঙাইরিবা নুপীশিংবু মশা ফৎতবদগী মাইবীনা মমাগী পুক্তা য়াওরিবা মচাদু মেৎখায়বীবা অমদি লাই খুরুম্বা।

● স্কিনগী লায়না কয়ামরুম লৈরবসু মপূং ফানা ডাক্তরগা (দর্মাটোলোজিষ্ট) তান্নরগা লায়েংবীবগী মহুত্তা লাই খুরুম্বা।

● য়ু য়াম্না তোয়না থকপদগী এদ্দিক্সন লৈরবা নুপাশিংবু ডাক্তরগা তান্নরগা লায়েংবীবগী মহুত্তা মীতৈ মায়বনা লাই তোয়না খুরুমদুনা থম্বা।

অসিগুম্লবা অরানবা ময়ামসি থাদোকপীগদবনি। অশেংবা, অচুম্বা, অফবা অমদি চংদনবা লায়না খুদিংমক্তু ময়ামগা তান্ন-খঙদোকমিন্নগদবনি। সাইন্সকী কাঙলোন মতুংইন্না লায়নাদুগী হৌরকফম, কনানা থোকহনবনো, করম হায়না লায়েংগনি অমদি থিংগনি হায়বদু তৌবীগদবনি। অচুম্বা অশেংবদু ময়ামদা তাকপীগদবনি অমদি খঙহনবীগদবনি। লায়না অমগী হান্নগী লায়েংখিবা মওং-মতৌ অদুগা হৌজিক্কী মতমদা করম হায়না লায়েংবা হায়বদু থিদোকপীগদবনি। চাওখৎপা অমদি নুংঙাইবা হায়বসি সাইন্সকী মতেং লৌবীবা তাই। সাইন্সনা থোকহনবা ফৎতবা ময়ামদুদি য়েংগুমসি অমদি মদুগী মতৌসু তমগুমসি, অফবা অদুতমক য়েংমিন্নসি অমদি মতৌ তমদুনা কান্নবা হায়বদু লৌমিন্নসি।

অরোইবদা, ঐখোয়না লায়না ময়ামসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা সাইন্সকী লৌশিং শীজিন্নবা, লায়নাদুগী মরমদা কূপ্না রিছর্স তৌবা অমদি ঐখোয় ময়াম পূন্না থবক তৌমিন্নবা, উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না থাবা, এয়র পোল্যুশন হন্থহন্নবা পাৎ-তুরেল ফজনা থম্বা, প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং অমদি অমোৎ অকায় মফম চানা দিস্পোজ তৌবীবা অসিনচিংবা তৌবতা নত্তনা লমলক্কী শা-উচেকসু নুংঙাইনা লৈহনবা ঙম্নবা হোৎনবীগদবনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং**

১) “হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই ‘হো ইমা!’... হায়খিগুমসু তৌখি।”

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “পুন্সিবু হুন্দোক্লম্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।”

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) “মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।”

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) “ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) “নতম্বাক্তা” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।